# ‘হৌজিক অচুম্বা লাক্লগনি’ হায়বা ঈশৈ অমসুং খোল্লাওগা লোয়ননা কোংগ্রেসকী লোক সভা কেম্পেন হৌখ্রে

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ৭ঃ*

কোংগ্রেসকী ফ্লেগসিপ বেসিক মিনিমম ইনকম স্কিম ন্যায়গী ৱাশক ফোঙদোকপা ‘অব হোগা ন্যায়’ হায়বা খোল্লাও অমসুং ঈশৈগা লোয়ননা ঙসি কোংগ্রেসনা লোক সভা মীখলগী মখোয়গী কেম্পেন ফোর্মেল ওইনা হৌখ্রে।

বি জে পি লৈঙাক্কী মখাদা লৈবাক অসিবু ‘অন্যায়’ হায়বদি অরানবগী মখাদা নমথদুনা থম্লে হায়বা ৱাফমগা লোয়ননা ওপোজিসন পার্টি অসিনা লোক সভা মীখলগী কেম্পেন হৌরদুনা পার্টি অসিগী সেনিয়র লিদর আনন্দ শর্মনা হায়খি, মীয়ামনা হৌখিবা চহী ৫দা বি জে পি লৈঙাক্কী থবক তৌদবা অমসুং মীয়ামদা কান্নবা পীদবা অদুগী মখাদা লাক্লদুনা থল্লক্লি। থাজবা হাৎপা, মীনম ৱাশকশিং অমসুং লাইরবশিংদা অচুম্বা ফংহন্দবা কয়াগী মতাং মীয়ামনা ঙাংনরি। কনষ্টিট্যুসনগী যূমফম ওইবা মতিক ময়াইশিং থুগাইহরি হায়না মহাক্না হায়খি।

ওপোজিসন পার্টি অসিগী কেম্পেনগী নুংগী ৱাহন্থোক পীরিবা ঈশৈ অসি জাবেদ অখতারনা ইখিবনি অমসুং কেম্পেন ভিদিও অদুনা নিখিল অদবানিনা নমখিবনি।



পার্টি অসিনা মখোয়গী পাউজেল পাকশন্না শন্দোক্লবা টিভি ফিলমশিং, সিনেমা স্পোটশিং, রিদিও জিঙ্গলস, অমসুং হোরদিংস অমসুং দিজিটেল স্ক্রিনশিং, প্রিন্ট এদভরটিজমেন্টশিং শিজিন্নবগী মথক্তা অখন্নবা ওইনা কোংগ্রেস কেম্পেন শন্দোকপা এদভরটিজমেন্টশিং উৎপা কন্টেন্নর ট্রক লিশিং কয়া য়াওরি।

হৌখিবা চয়োলদা পার্টি অসিনা মীয়ামগা হকথেংননা মরীলৈনরিবা চানবা চীঙ্গাক্কী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং থম্বা মেনিফেষ্টো ফোঙখি। মদুদা থবক পীনবা, য়ামদ্রবদা লাইরবা ইমূংশিংদা শেনফম অমা ফংহনবা, মহৈতমহনবা অমসুং হকশেলগী কান্নবা পীবা য়াওরি।

লৌউ-শিংউগীদমকসু ৱাশক কয়া মেনিফেষ্টো অদুদা য়াওরি। ৱাশকশিং অদুগী মনূংদা ফার্ম লোনশিং শিংবা ঙমদবা হায়বসি মখা তানা ক্রিমিনেল ওফেন্স অমা ওইররোই হায়বসু য়াওরি।

ন্যায় স্কিমগী মখাদা পার্টি অসিনা লাইরবশিংগী মনূংদা খ্বাইদগী লাইরবা ইমূংশিংদা লূপা ৭২,০০০ পীনবগী ৱাশক থল্লি। মদু ওইথোকপা য়াবা থবক্লা হায়না হংবা ৱাহং অমদা পার্টি চীফ রহুল গান্ধীনা বি জে পিগী দমক্তি ন্যায় হায়বদু পাংথোকপা ওইররোইদবনি হায়বসি ঐ য়াই। কোংগ্রেসকীদমক্তি মদু ওইথোক্লিঙাই লৈ অমসুং মদু করম্না পাংথোকপগে হায়বদু ঐখোয়না মখোয়দা উৎকনি হায়খি।

# ৱেষ্ট বেঙ্ক খোপচীন্নবা নেটান্যহুগী থৌরাং পেলেষ্টিনিয়ানশিংনা থিংগনি ঃ ফোরেন মিনিষ্টর

*অম্মন, এপ্রিল, ৭ঃ*

পোলেষ্টিনিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর রিয়াদ অল-মালিকিনা করিগুম্বা ইজরেল প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটান্যাহুনা খুদুম চল্লিবা ৱেষ্ট বেঙ্কতা আইনগী ৱাংমদা লৈরিবা ইজরেলি খূনশিং খোপচিন্নবা থৌরাং চত্থরবদি মহাক অশেংবা ৱাথোক অমা মায়োক্লরগনি হায়খ্রে।

জোরদানদা পাংথোক্লিবা ৱার্ল্ড ইকোনোমিক ফোরমগী নাকনদা ৱা ঙাংবদা পেলেষ্টিনিয়া ফোরেন মিনিষ্টর মালিকিনা নেতান্যাহুগী থাংজ নুমিৎতা লাওথোকখিবা ৱাফম অদুবু য়ানীংদবা ফোঙদোকখি। নেটান্যাহুনা করিগুম্বা হন্দক্কী মীখলদা মহাকপু অমুকহন্না খলক্তুনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরবদি ইন্টরনেসনেল লোগী মখাদা আইনা য়াদবা ওইরিবা পেলিষ্টিনিয়াগী লমশিংবু ইজরেলনা পায়শিনগনি হায়খিবনি।



করিগুম্বা নেটান্যাহুনা পেলিষ্টিনিয়াগী ৱেষ্ট বেঙ্কতা ইজরেলগী সোভরেন্টি লাওথোকপা পাল্লবদি মহাক্না অশেংবা ৱাথোক অমা ময়োক্লরগনি হায়বসিমক নখোয় খংউ। মফম অদুদা পেলেষ্টিনিয়ান মিল্লিয়ন ৪.৫ লৈরি। মহাক্না ঐখোয়বু তান্থোকপা ঙমলোই, তান্থোকপদা ঐখোয়না য়াগদবা লৈতে। মদু ওইরবদি মহাক্না করি তৌবা ঙমগনি হায়না মালিকিনা হংখি।

ঐখোয়না মফম অদুদা লেঙদনা লৈগনি, অসিগুম্বা লিচৎ, অসিগুম্বা ৱারেপ অসি ঐখোয়না থিংগনি। মদুদগীদি হীরম অসিগী মতাংদা ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিনা ঐখোয়গা খন্নরকপা তাবনি।

পেলেষ্টিনিয়াগী জেরুসালেমবু য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ইজরেলগী কোনূং ওইনা শকখংবা অমসুং মখোয়না খুদুম চন্দুনা লৈরিবা সিরিয়াগী গোলান হাইটসপু ইজরেলগীনি হায়না শকখংবা অসি ইন্টরনেসনেল লোগী মখাদা আইননা য়াদবা অমনি। মসি নেটান্যাহুগী খ্বাইদগী অনৌবা মথোং হুক্তবা খোঙথাংনি হায়নসু রিয়াদ-অল-মালিকিনা হায়খি।

১৯৬৭গী নুমিৎ ৬নিগী লানদা ইজরেলনা খুদম চনখিবা পোলিষ্টিনিয়াগী লমদা শাগৎলিবা খূনশিং অদু ইন্টর্নেসনেল কম্যুনিটিনা আইনগী ৱাংমদনি হায়না লৌরি।

# মোদি, কে সি আর, জগন মোহন রেদ্দি পূন্নমক অমত্তনি ঃ চন্দ্রবাবু নাইদু



*হায়দরবাদ, এপ্রিল ৭ঃ*

বি জে পিনা লূচীংবা এন দি এ (নেসনেল দেমোক্রেটিক এলায়েন্স)তগী তোক্লগা ওপোজিসনগী মরুওইবা মেম্বর অমা ওইরক্লবা ওপোজিসন কেম্পতা য়াওখিবা অন্ধ্র প্রদেশ চীফ মিনিষ্টর চন্দ্রবাবু নাইদুনা মহাক্কী লাম্থেং অসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মায়োক্তনি, লোয়ননা লমদম অশোমগী য়েক্লবশিং- জগন মোহন রেদ্দি অমসুং তেলঙ্গনা চীফ মিনিষ্টর কে চন্দ্রসেখর রাও (কে সি আর)গী মায়োক্তনি হায়না এন দি টিভিদা ফোঙদোকখ্রে।

ওপোজিসনগী মরুওইবা ইন্টরলোক্যুটরশিংগী মনূংদগী মরুওইবা অমা ওইরিবা মশাগী চহী ৬৮ শুরবা লূচীংবা অসিনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈঙাক্কী শক্তি অমুক হন্না পায়ররোই হায়নসু ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক প্রাইম মিনিষ্টর ফমগীদমক মীহৌবা মীওই অমা নৎতে হায়খি। ঐখোয় (রিজনেল পার্টিশিং)না মীখল মতূংদা পূন্না থবক তৌমিন্নরগনি। মোদিনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইররোই হায়বসি চামদা ১০০ চুম্লবনি হায়না ফোঙদোকখি।

ৱাই এস আর কোংগ্রেসকী জগন মোহন রেদ্দিনা মাংজিন থানা পুখৎলকখিবা মরুওইবা হীরম- অন্ধ্র প্রদেশতা স্পিসিয়েল ষ্টেটস পীনবগী দিমান্দ অদু সেন্টরনা য়ারকখিদবা অদুদা মিষ্টর নাইদুনা এন দি এ থাদোকখিবনি।

অন্ধ্র প্রদেশপু মচেৎ অনী থোক্লা থুগাইদুনা তেলঙ্গনা শেমখিবগী মতাংদা শাওরিবা অমসুং পীগনি ৱাশকখিবা রিছোসশিং পীদবগী মতাংদা শাওরিবা ষ্টেট অসিদা মহাক্না এন দি এদগী তোকখিবসি ষ্টেট অসিদা নাকন অনী খল মান্নহনবা অমা ওইনা উনখি।

মখোয়গা মহাক্কা য়েংথিনরিবা অদু তোঙানবা ৱাফম অমরা হায়না হংখিবা ৱাহং অমদা চন্দ্রবাবুনা হায়খি- মখোয় পূন্নমক অদু অমত্তনি, মদুদা চীংননিঙাই লৈতে। মোদিনা জগনবু ঙাকথোক্লি, কে সি আরনা জগনবু শৌগৎলি। মদু মীয়ান্না খংই। ঐগী মীয়ামদা হংউ।

তেলঙ্গনানা অন্ধ্র প্রদেশকী মীয়ামগী অনীংবগী মায়োক্তা থবক তৌরি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ওফিসিয়েল ওইনা বি জে পিগা পূন্দ্রবসু জগন মোহন রেদ্দিনা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিবু নীংজবা অসি ময়েক শেঙই। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিগী মফম পূন্নমক্তা শৌগৎপা ফংলম্বা য়াই। অতৈ প্রাইম মিনিষ্টর অমদগী মহাক্না হেন্না কনবা ৱাখল থৌনা অমা লৈরম্বা ফাওবা য়াই হায়না খল্লি। অতৈদগী মহাক্না য়ান্না হেন্না থবক তৌখি হায়না মিষ্টর নাইদুনা হায়খি।

অদুম ওইনমক প্রাইম মিনিষ্টর মোদি নৎত্রগা রাহুল গান্ধীনা ষ্টেট অসিদা করিসু অফবা তৌরোই হায়না মহাক্না অশেংবা মহাক্কী ৱাখল ফোংদোকখি।

ষ্টেট অসিবু মচেৎ অনী থোক্লা খাইদোকখিবা অদুদা মীয়ামগী মফমদা অরানবা অমা চত্থখি। মোদিনা ঐখোয়বু মীনমখি। মহাক্না ষ্টেট অসিদা স্পিসিয়েল ষ্টেটস পীনবগী মতাংদা তৌবা য়াবা পূন্নমক তৌগনি হায়না ৱাশকখি হায়না মিষ্টর নাইদুনা ফোঙদোক্লদুনা চয়োল অসিদগী হৌগদৌরিবা মীখল অসিদা ষ্টেট অসিগী ওইবা হীরম খক্তনা মরুওইগনি হায়বগী ইঙ্গিৎ পীরখি।

অন্ধ্র প্রদেশকী এসেমব্লি সিট ১৭৫ অমসুং লোক সভা সিট ২৫গী মীখল, মীখলগী অহানবা তাঙ্কক এপ্রিল ১১দা ফেজ অমখক্তদা পাংথোক্কনি।

সেন্টরদা কোংগ্রেসকী চহী ১০গী লৈঙাক মতূংদা পার্টি অসিবু শীংনখিবা বি জে পিগী পার্টনর অমা ওইবা চন্দ্রবাবু নাইদুনা ২০১৪ নেসনেল ইলেক্সন কন্টেষ্ট তৌখি। অদুবু ইলেক্সন মতূংদা, চীংগী ষ্টেটশিং খক নত্তনা সেন্টরনা ষ্টেটশিংদা স্পিসিয়েল ষ্টেটস পীররোই হায়না লাওথোকখিবগা চীফ মিনিষ্টর নাইদুবু ষ্টেট অসিগী ফংফম থোকপা পীযু য়াদবা পার্টি অমগা খূৎশন্নে হায়না জগন মোহন রেদ্দিনা মরান শীখি।

# ৱাশক ঙাক্তবা, থবক তৌদবা চৌকিদারশিং চৌক্রিদগী চীংথরগনি হায়না অখিলেশ যাদবনা ফোঙদোকখ্রে

*দিওবন্দ (য়ু পি), এপ্রিল ৭ঃ*

সমাজৱাদি পার্টি চীফ অখিলেশ যাদবনা ঙসি হায়খ্রে- বহুজন সমাজ পার্টি (বি এস পি) অমসুং রাষ্ট্রিয় লোক দল (আর এল দি)গা মহাক্কী পার্টিগা তৌরিবা এলায়েন্স অসি হন্দক প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা হায়খিবা অদুগুন্না য়ানশিন্নবা য়ু অমা নৎতে, মসি সেন্টরদা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অমা পুরকপা ঙমহনগদবা অহোংবা অমা পুরক্লবগী শক্তি অমনি।

উত্তর প্রদেশকী দিওবন্দদা এলায়েন্স পার্টনরশিংগা পূন্না পাংথোকপা মীফম অমদা অখিলেশ যাদবনা ফোঙদোক্লিবা ৱাফম অসি হৌখিবা থাদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মীফম অমদা ওপোজিসন পার্টি ৩ (সভাজৱাদি পার্টি, রাষ্ট্রিয়া লোক দল, বহুজন সমাজ পার্টি)গী এলায়েন্সপু পার্টিশিং অসিগী অহৌবা ৱাহৈশিং পূশিল্লগা ‘সরাব’ হায়বদি ‘য়ু’ নি হায়খিবা অদুগী পাউখুম ওইনা ফোঙদোকখিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা ৱাফম অদু ফোঙদোকখিবদা বি জে পি শৌগৎপশিংদগী লাও-খোঙদুনা



খুবাক খুখিবনি। প্রাইম মিনিষ্টরগী ৱাফম অদুদা ওপোজিসনগী নাকন্দগী অকনবা পাউখুম পীরকখি। অসুগুম্বা লুজদবা লোন্দা অসি প্রাইম মিনিষ্টর অমদগী ফোঙদোরক্কনি থাজদে হায়না ওপোজিসন লূচীংবশিংনা হায়খি।

ঐখোয়গী এলায়েন্স অসি ময়াই কাবা য়ুগী য়ানশিন্নবা অমা নৎতে, অদুবু মসি অহোংবা অমা পুরক্লবগী শক্তি অমনি।

মসি অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর অমা পুরক্কদৌরিবা এলায়েন্স অমনি হায়না বি এস পি চীফ ময়াবতি অমসুং অর এল দিগী প্রসিদেন্ট অজিৎ সিংহসু শরুক য়ারিবা ঙসিগী থৌরম অদুদা অখিলেশ যাদবনা হায়খি।

লোক সভা মীখল খুদিংমক্কী মমাঙদা হেরো শাবগী শক্লোন অমা লৌই হায়না প্রাইম মিনিষ্টর মোদিবু সমাজৱাদি চীফ যাদবনা মরান শীখি। অদুবু হন্দক্কী মতাং অসিদদি লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিগী মীত্রং অদু কান্নররোই হায়না মহাক্না হায়খি।

২০১৪দা মীয়ামদা থবক পীবা অমসুং চাওখৎপা পুরক্কনি হায়বা য়াওনা ৱাশক কয়া শকখিবা চাইৱালা (চা য়োনবা) অমদা ঐখোয়না থাজখি। মদু মহাক্না তৌখিদে। মদুগী মহুত্তা হৌজিক মহাক্না চৌকিদার (য়ুমশঙবা) অমগীদমক ভোত থাদনবা ঐখোয়দা হায়রি। অদুবু মীয়ান্না হৌজিক মহাক্না তৌরকখিবশিং অদু উরকখ্রে। হন্দক্কী মতাং অসিদদি মীয়ামনা ঐখোয়বু চৌকিদারনি হায়জরিবশিং অদু মখোয়গী চৌক্রি (গার্দ পোষ্ট) শিংদগী চিংথবা ঙমহল্লগনি। হৌজিক ঐখোয়না অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর অমা ফংলগনি হায়না অখিলেশ যাদবকী ৱাফম অদু পল্লদুনা পাউগী এজেন্সি পি টি আইনা হায়খি।

মীখল অসি তোঙান্না নাইতোম ওইনা থেঙনরিবা কোংগ্রেসতা ভোত পীবনা বি জে পিদা মতেং পাংবা ওইনতা থোক্কনি হায়না বি এস পি চীফ ময়াবতিনসু মীয়ামদা হায়খি।

নখোয়গী ভোতশিং মচেৎ-মচেৎ তাহনগনু। বি জে পিদা অকনবা লান্থেং অমা পীনবা কোংগ্রেসকী মতিকচাবা শক্তি লৈতে, সুপ্নগী গ্রান্দ এলায়েন্স অসি খক্তনা বি জে পিবু থেংনবা ঙমগনি হায়না ময়াবতিনা হায়খি। মসি মুস্লিম কম্যুনিটি মীয়ামদা মরুওইনা অপিল তৌনীংই হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# সোপিয়ানদা হিজবুল টেরোরিষ্ট ২ হাৎখ্রে

*শ্রীনগর, এপ্রিল ৭ঃ*

খা থংবা কাস্মিরগী ইমাম শাহীব এরিয়াদা ঙরাং লালহৌবগী মায়োক্তা চত্থবা ওপরেসন অমদা হীজবুল মুজাহীদীন টেরোরিষ্ট ২ হাৎখ্রে।

মফম অদুগী পাদগুচীদা সি আর পি এফ, রাষ্ট্রিয় রাইফলস অমসুং জে এন্দ কে পুলিসকী অপূনবা টিম অমনা ওপরেসন অদু চত্থবদা লোৎতুনা লৈরম্বা টেরোরিষ্টিশিংনা নোংমৈ কাপশিলকখি। মদুদা সেক্যুরিটি ফোর্সকী খূৎ হনবদা টেরোরিষ্ট ২ অদু হাৎখিবনি হায়রি।

# ‘পঞ্জাব, হরিয়ানাদা এ এ পিগা পূল্লোই’

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ৭ঃ*

পঞ্জাব অমসুং হরিয়ানদা এ এ পি নৎত্রগা অতৈ পার্টি অমত্তগা এলায়েন্সকী খন্নবা লৈতে হায়না কোংগ্রেসনা ঙসি শেঙদোকখ্রে অমসুং ষ্টেট অনী অসিগীদমক পার্টিগী মীরেপশিং থুনা লাওথোক্লগনি হায়খ্রে।


দিল্লিবু মপূংফাবা ষ্টেটহুদ পীনবা দিমান্দ ফোঙনা শৌগৎনবা কোংগ্রেসতা এ এ পিনা হায়রদুনা এলায়েন্সকী মাংজৌনবা কন্দিসন অমা থমখিবনি। চান্দিগড়দা সিট ৩ পীরবদি কোংগ্রেস শৌগৎকনি হায়না এ এ পিনা হায়খিবনি।

# ইন্দিয়ানা এপ্রিল ১৬-২০দা অতোপ্পা এটেক অমা চত্থনবা থৌরাং তৌরি ঃ পাকিস্থান

*কারাচী, এপ্রিল, ৭ঃ*

ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই পায়নরবা য়ুমলোন্নবা লৈবাক অনী অসিগী মরক্তা ফেব্রুৱারি থাগী উংখৎনবা খরা নেমথরকখ্রবগুম উরবা চৈরক অসিদা পাকিস্থানগী ফোরেন মিনিষ্টর শাহ মহমুদ কুরেসিনা ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়ানা থা অসিগী মনূংদা অমুক্তা হন্না এটেক তৌগনি হায়বা থাজনিঙাই ওইবা ইন্টিলিজেন্স ফংলে হায়খ্রে।

এটেক অদু এপ্রিল ১৬ অমসুং ২০গী মরক্তা চত্থরক্লবা য়াই হায়না মহাক্না হায়খি। ঐখোয়না ফংলিবা



ইন্টিলিজেন্সকী পাউ অসিগী মতূং ইন্না ইন্দিয়ানা পাকিস্থানদা চত্থনবা থৌরাং তৌরিবা অনৌবা এটেক অসি ফেব্রুৱারি ১৬ অমসুং ২০গী মরক্তা চত্থরকপা য়াই হায়না কুরেসিনা মহাক্কী ময়ুম টাউন মুলতানদা পাউমীশিংগী মফমদা ফোঙদোকখি।

অদুবু অকক্লবা মতম পীদুনা অসিগুম্বা এটেক চত্থরকপা য়াই হায়বসিগী মতাংনা ফংলিবা ইভিদেন্স অদুগী মতাংদা মহাক্না পাকথোক-চাওথোক্লা পনখিদে। অদুবু পাকিস্থানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খাননা হায়রিবা ই-পাউ অদু লৈবাক অদুদা খঙহনখিনবা য়াখি হায়না মহাক্না হায়খি।

হীরম অসিগী মতাংদা করি মত লৈবগে হায়না হংবদা ইন্দিয়াগী ফোরেন ওফিসনা খুদক্তা পাউখুম পীরকখিদে।

# রসিয়ানা হায়-টেক আর্মি পোষ্ট থমদুনা আর্ক্টিট রিজনদা শক্তি শাগৎলক্লি

*কোটেনলি আইলেন্দ, এপ্রিল, ৭ঃ*

চহী চুপ্পা উন্না কুপ্পুনা লৈবা রিছোর্স মরাং কাইবা পোলার রিজনদা রসিয়ানা হায়-টেক আর্মি পোষ্ট থমদুনা শক্তি শাগৎনবা থৌরাং কন্না পায়খৎলি।



রসিয়াগী আর্ক্টিট মিলিটর আউটপোষ্ট অসিদা অকনবা উনপাক্কী লম্বীশিংদা মীসাইল লোপ্পরশিং থৌরি অমসুং এয়ার দিফেন্স সিষ্টেমশিংনা অতিয়াদা ওনখৎতুনা লৈরি। বেজ অসিগী মওং-মতৌ অদুগীদমক মসিগী মমিং সেভেরনি ক্লেভর (নোর্দন ক্লেভর) হায়না কৌই। মসি রসিয়াগী জাতিগী ফিরালগী অঙৌবা, হীগোক অমসুং অঙাংবা মচুতৈ।

পোলার রিজনগী লমদম অসিগী টেম্পেরেচর নীংথম থাদা মাইনস সেলসিয়স দিগ্রি ৫০ ফাওবা য়ৌনা নেম্মি। অতেনবা কালেনগী মতমদা ফাওবা নুমিদাংদা ফমজিনবা য়ৌনা টেম্পেরেচর নেম্মি। মফম অসিদা থল্লিবা রসিয়াগী লান্মীশিংনা মপান্দা থোক্তনা মনূংদা পাকচাওরবা ফেসিলিটিশিং অদুগী মফম পূন্নমক চৎপা য়ানবা শেম্মি।

লেপটেব সি অমসুং ইষ্ট সাইভেরিয়ান সিগী মরক্তা আর্ক্টিক জহাজ লম্বীদা য়াম্না মফম চাবা মরুওইবা মফমদা লৈবা আর্মি আউটপোষ্ট অসিদা মিলিটরি পার্সোন্নেল ২৫০ লৈ। মখোয় অসিনা এয়ার অমসুং সি সরভিলেন্স ফেসিলিটিশিং অমসুং এন্টি-সিপ মিসাইলগুম্বা কোষ্টেল দিফেন্সশিংগী থবক পুই। মফম অসিদা চহী অমা হেনবগী কোন্ননবা মতিকচানা মথৌ তাবা পূন্নমক থম্মি। ঐখোয়গী থবক্তিঃ এয়ার স্পেস অমসুং অৱাংথংবা সমুদ্র লম্বী মোনিটর তৌবনি হায়না বেজ কমান্দর ওইরিবা লেপটনেল কর্নেল ব্লাদিমির পাসেচনিকনা হায়খি।

# অঙাংশিং শিরিবসি য়ুরোপ, য়ু এস খূৎলাইশিংননি ঃ পোপ

*ভেটিকান সিটি, এপ্রিল, ৭ঃ*

লান থোক্লিবা মফমশিংদা খূৎলাইশিং য়োনশিন্দুনা ইনাকখুনবা নোংচুপ লৈবাকশিংনা লানশিংগী মৈচাক হাপ্পী হায়না থাংজ নুমিৎতা ফোঙদোক্লদুনা সিরিয়া, য়েমেন অমসুং অফগানিষ্টানদা অঙাংশিং শিরিবশিং অসি পোপ ফ্রান্সিসনা য়ুরোপ অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসননি হায়না মরান শীখ্রে।

মিলনগী সান কারলো ইনষ্টিট্যুটকী মহৈরোইশিং অমসুং ওজাশিংদা ৱা ঙাংবদা পোপ ফ্রান্সিসনা হায়খি, মালেমগী অকোইবদা অশুক য়াম্বা লান থোক্লিবগী মরমদি অঙাংশিং হাৎনবা অমসুং মীয়াম হাৎনবা ইনাক-কৈরাক খুনবা ইয়ুরোপ অমসুং অমেরিকানা খূৎলাইশিং য়োল্লিবা অসিননি।

অসিগুম্বা লানগী খূৎলাইশিং অসি য়াওদ্রবদি সিরিয়া, য়েমেন অমসুং অফগানিষ্টানগুম্বা লৈবাকশিংদা অসিগুম্বা লানশিং অসি লৈরম্লোই হায়না পোপনা মখা তাখি।

মাইগ্রেন্টশিংবু তরান্না ওক্লবা অমসুং লৈবাকসিগী মীয়ামগা অমত্তা ওইনা পূশিন্নবা লৈবাকশিংগী মথৌতাবগী মরমদা ঙাংলদুনা চংজফম থিবা লাক্লিবশিংবু তান্থোক্লবা ক্রাইমগী মরম পুথোক্লিবা গভর্ণমেন্টশিংবু পোপনা য়াখিদে।

ফোরেনরশিং খক্তনা অয়াম্বা ক্রাইমগী হৌরকফম নৎতে। মেফিয়া হায়বসি নাইজেরিয়ানশিংনা পুথোকখিবা নৎতে। ঐখোয়গী ইরক্তা মেফিয়া লৈ। মাইগ্রেন্টশিংনা ঐখোয়গী লন-থুম পুরকখিবনি ঐখোয়গী ইয়ুরোপ অসি মাইগ্রেন্টশিংনা শেমখিবনি হায়না পোপ ফ্রান্সিসনা হায়খি।

## সনা-সুদোকু -৮৮ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 7 | 4 | 5 | 6 | 8 | 1 | 3 | 9 |
| 8 | 3 | 6 | 2 | 1 | 9 | 4 | 7 | 5 |
| 9 | 1 | 5 | 3 | 4 | 7 | 2 | 8 | 6 |
| 7 | 6 | 2 | 1 | 5 | 3 | 8 | 9 | 4 |
| 4 | 9 | 1 | 8 | 7 | 6 | 5 | 2 | 3 |
| 3 | 5 | 8 | 9 | 2 | 4 | 6 | 1 | 7 |
| 5 | 8 | 7 | 4 | 3 | 2 | 9 | 6 | 1 |
| 6 | 4 | 9 | 7 | 8 | 1 | 3 | 5 | 2 |
| 1 | 2 | 3 | 6 | 9 | 5 | 7 | 4 | 8 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-89**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 5 | 3 | | 9 | | 4 | |
| | 9 | | | 7 | | | 3 | 5 |
| 2 | | 8 | | 4 | | | | 7 |
| 3 | | 7 | 4 | | | 9 | | |
| | 5 | | | 1 | | 3 | 2 | |
| 8 | | | | | 3 | 4 | | |
| 9 | | | | | 5 | 7 | | 4 |
| | 7 | 3 | | 8 | | | | |
| | 4 | | 7 | | | 5 | | |

## GAS TODAY

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 07/02/19
Sl. No. : 8795
Valid : 05/02/19
Sl. No. : 7701
Stk : 558, 19kg-36
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Hrangchal Gas Agency**
Booking : 01/03/19
Valid : 26/02/19
Stk : 306

**K & K Indane Service**
Booking : 29/03/19
Sl. No. : 250
Valid : 19/03/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**Yairipok Gas Service**
Booking : 12/03/19
Valid : 08/03/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Hiyangthang Indane**
Booking : 10/02/19
Valid : 06/02/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Khumbong Indane**
Booking : 28/02/19
Valid : 25/02/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Canchi Service Indane**
Booking :23/02/19
Valid : 20/02/19
Stk : 306
Time : 08.00 to 10.00 a.m.

**Nongpok Sekmai Indane**
Booking : 02/03/19
Valid : 02/02/19
Stk : 306
Time : 08.00 to 10.00 a.m.

**Misao Gas Service**
Booking : 14/03/19
Valid : 18/02/19
Stk : 612, 19kg-10
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**J Rongmei SK Indane**
Booking : 15/02/19
Sl. No. : 35150
Valid : From Sl. No. 34851
Stk : 306
Time : 06.30 to 09.30 a.m.

**Heingang Indane**
Booking : 25/03/19
Valid : 07/03/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Imphal L P G Service**
Booking : Up to Date
No Booking Required
Stk : 200, 19kg -180
Time :From 08.00 a.m.

**Leibaklei Gas, KaKching**
Booking : 01/02/19
Valid : 14/01/19
Stk : 1224
Time : 08.00 to 11.00 a.m.

**Khongnang Gas, Bisnupur**
Booking : 28/02/19
Valid : 22/02/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Jemon Gas Service Singjamei**
Booking :12/01/19
Valid : 27/12/19
Sl. No. : 43950
Stk : 612
Time : 07.00 to 09.30 a.m.

**Sawombung Indane**
Booking :28/02/19
Valid : 18/02/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m.